১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# নাকোনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা ৪৫শুবা মেচতা নাকোনা দি এম রাওবু মায়থীবা পীখি।



মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীম্না হেনজিন্নবা ঙমদনা শান্নবা হৌরকখি। মেচ অসিগী হৌরকপদা দি এম রাওগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখি। অদুবু শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা নাকোগী মায়কৈদগী এস কুল্লর্সন অনাল জর্সি নম্বর ১১না পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনত খরা অসিদা দি এম রাওনা ইক্বেলাইজর ফংনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু নাকোগী দিফেন্দরশিং লীংনা লৈবদগী বোল পুশিলহনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা অহানবা হাফকী টেক্নিক্তগী খরা হোংদোক্লগা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিং নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্মহনখিদনা মেচ অদু নাকোনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মুভানলাইনা য়ু কে বিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মুভানলাই কাংপোকপীনা য়ু কে বি চুরাচান্দপুরবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচতা য়ু কে বি চুরাচান্দপুর অমসুং মুভানলাই কাংপোকপী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা য়ু কে বিনা চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় পাউলেনসাম জর্সি নম্বর ১০না টিম অদুগী একাউন্ট হাংবা ঙমদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা মুভানলাইনা ইক্বেলাইজর ফংনবা চথরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী গীনমিনথাং জর্সি নম্বর ৭না চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি।

টিম অনীম্না মেচ মায় পাক্লবা অক্লবা লম্বগা লোয়ননা চথনরকখি। অহানবা হাফ অসিদা টিম অনীম্না এটেক কয়া চথুরনখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং হাফ অসিগী ৩২শুবা মিনটতা মুভানলাইগীগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গীনমিনথাংনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা মখোয়না য়ু কে বিবু পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখ।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা পাঞ্জল চনশিন্ননবা এটেক কয়া চথনবা হৌরকখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকখিবদগী হাফ অদুদা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্মখিদে। অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ফাওবদা য়ু কে বিনা চথরকপা এটেক অমদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখি। অদুবু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেচ অদু মুভানলাই কাংপোকপীনা য়ু কে বি চুরাচান্দপুরবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা নুমিৎকী শান্নগদবা মেচতা নিসা থাংমৈবন্দ অমসুং দি এম রাও সেকমাই লম্বা তৌনগনি।

১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

# জি-৫ হৈরোকনা রাও এফ সীবু, এফ সী লম্লাইনা সেক্তা - সীবু অমদি এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওনা সেক্তা - বিবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০২(ঐচএনএস):

ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা জি-৫ হৈরোকনা রাও এফ সী লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু, এফ সী লম্লাইনা সেক্তা (সী)বু অমদি এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওনা সেক্তা (বি)বু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা খোঙনাংমখোঙ এফ সী ৱাইতোন লাক্তবদগী ও এফ সী পুংদোম্বম বাই ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ পুং ৭.৩০দা শান্নবগা মেচতা খোঙনাংমখোঙ এফ সী ৱাইতোন লাক্তবদগী ও এফ সী পুংদোম্বম বাই ফংদুনা কাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা রাও এফ সী লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি জি-৫ হৈরোক লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা জি-৫ হৈরোকনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা জি-৫কী শান্নরোয় চীংখৈ জর্সি নম্বর ৪না একাউন্ট হাংখি। একাউ হাংখ্রবা মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় অরুন জর্সি নম্বর ১০না শান্নবগী ৪১ অমসুং ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা পুন্না পাঞ্জল ৩ শুহনখি।

রাও এফ সীগী মায়কৈদগী অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মেচ অদু মখোয়বু জি-৫ হৈরোকনা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা এফ সী লম্লাই অমদি সেক্তা (সী) লম্বা তৌনখি। মদুদা এফ সী লম্লানইনা সেক্তা (সী)বু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

এফ সী লম্লাই টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী শান্নরোয় রোম জর্সি নম্বর ৯না শান্নবগী ২০ অমদি ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেচ ওইনা সেক্তা (বি)বু এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওনা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীহৌখি। মেচ অসিগী হৌরকপদা টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। মেচ মায় পাক্লবা শান্নরকপদা সেক্তা এফ সী (বি)গী থোই জর্সি নম্বর ৭না শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা শোইবদগী চনশিনজখিবা গোলনা এস ৱাই দি এগী পাঞ্জল ওইদুনা ০-১দা মাংজিল থাবা হৌখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা এস ৱাই দি এগী সাকিপ জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমগা অমুক চন্দুনা সেক্তা (বি)বু পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

সেক্তা (বি)গী মায়কৈদগী মেচ অসিদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখ্রবসু মায়োক্লবা টিম এস ৱাই দি এগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা ঙাকখিবদগী পাঞ্জল ওইহনবা ঙমদনা মখোয়বু এস ৱাই দি এনা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীখি।

# ঙাঙোম বালা য়াওবা রেঞ্জর্স টিম মায় পাকখ্রে

SCOTTISH BUILDING SOCIETY
SCOTTISH WOMEN'S PREMIER LEAGUE

হেমিল্টন, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেস্নল ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইবা ঙমখ্রবী মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা শরুক য়ারিবা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা স্কোটিস ৱিমেন্স লীগ কপকী মেচ অমা মায় পাকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা ঙাঙোম বালা স্কোটলেন্দগী নুপী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা রেঞ্জর্স এফ সীনা ট্রায়ল কৌরক্লবা মতুং মহাক্কী মশান্না অদুদা অপাম্বা লৈখিবদগী টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০গী খুদোংচাবা পীদুনা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়াহনখি।

টিম অদুনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী লীগ কপকী গ্রুপ বিগী মেচ অমদা হেমিল্টন একাদেমিকল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টিম অদুনা গ্রুপ বিনা শান্নখিবা মেচ ২মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থারি।

# মণিপুর মহুৎ শীনগদবা কুং-ফু অমসুং কিক বোক্সিং ট্রায়ল পাঙথোক্লগা শান্নরোয় ৫০ খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

অসামগী সিবসাগরদা লৈবা বোর্দিং ফিল্ডদা থা অসিগী ১২দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কুং-ফু অমসুং কিক বোক্সিং চেম্পিয়ন ২০২০গীদা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫০ ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোঙদা লৈবা মঙোলঙানবী কোলেজদা সেলেক্সন তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

প্রেসতা ঙসি ইন্টর্নেসনল ন্যু কুং-ফু এন্দ কিক বোক্সিং একাদেমি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কুং-ফু এন্দ কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি - কে ঐচ সন্তোস, ও সোনিয়া, এস অরুন, ও চাওবা, আর কে রোহিকান্তা, কে ঐচ রোহল, কে ঐচ প্রিতম্বর, কে ঐচ বিদ্যাসাগর, কে ঐচ জুপিত্রা, এম ধনরাজ, কে ঐচ চুমথাং, এল বেবিকা, কে ঐচ জিতিস, এল সুপ্রিয়া, কে ঐচ লিংজেনথোইবী, এন প্রিয়াদসনি, টি সিলভিয়া, এন মালেমঙানবী, আর কে দোলি, ঐচ ভুমিকা, টি কবিতা, এন ধনজিৎ, ঐচ প্রিয়াঙ্কা, এল জেকো মৈতৈ, কে ঐচ অবিনাস, এল ইচন চনু, পি নাওবী, কে নেনসি, গুলাম নবি অজাদ, কে অনিল, টি ঐচ লানঙম্বা, বোরিস মাইবম, এন ভেলেন্তিনা, ও সঞ্জিৎ, ঐচ নরেস, ৱাই প্রিবিন মৈতৈ, কে লানঙম্বা, ঐচ নোংশাবা, এ বিনা, এন সঞ্জুরিয়া, দোলি, অসাদ, এল দামস্কর, দাইনা, এম কে নৱাজ সরিফ, রাজ খান, রুফিনা কৈশিং অমসুং এল নিংথৌঙানবনি।

মণিপুরগী শান্নরোয় ৫০ অসিবু লুচিংদুনা সিফু নোরেননা টিম মেনেজর ওইগনি। মহাকপী এসিষ্ট তৌগদৌরিবা মেনেজরনা এন রোমেননি। টিম কোচকী থৌদাং লৌরিবা অদুনা এন বিরেন অমসুং নুপীগী টিম কোচনা এ পিন্তুনা ওইগদৌরি। অদুগা ওফিসল ওইনা ডা. ঐচ রোমেন অমসুং কোন্থৌজম বিরোহিনিনা থৌ পুগদৌরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# অসাম রাইফলসনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেচ শীনখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (আই জি এ আর) সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ৯শুবা অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়নন অপ্পর খোরিপোক কম্পেনি ওপনিং বেজতা ঙরাং ফ্রেন্দলি ভোল্লি বোল মেচ অমা শীনখ্রে।

অপ্পর খোরিপোক কম্পেনি ওপনিং বেজনা মফম অদুগী নহাশিংগা কম্পেনি অসিগী পর্সনেলশিংগা অফবা মরী অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী পান্দমদা অহেনবা শাফু পীনবগীদমক্তা ফ্রেন্দিলি ভোল্লিবোল মেচ অসি শীনখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলসকী ট্রুপশিংগা অপ্পর খোরিপোক্কী মনুং চন্না লৈবা লাইরম পুনকা য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংগা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেচ শান্নখি। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মশান্নগী নুংঙাইবা অমদি স্পিরিট লৈনা শান্নখ্রবা মতুং ৯শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়নশিংনা শরুক য়াখিবশিংদা খুদোলপোৎসু তমখি।

১৮শুবা কংলৈপাক কপ ২০২০

# গুনি এফ সীনা য়ু কে সী সী এলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২(ঐচএনএস):

ৱাপোকপী এথলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লব (ৱার্দ), ইথাই ৱাপোকপীনা শীন্দুনা টিম ২৮না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা ১৮শুবা এদিসন কংলৈপাক কপ ২০২০গী ফাইভ মেন এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী মেচ অমদা গুনি এফ সী ককচিং খুনৌনা য়ু কে সী সী এল ওইনামবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী অহানবা মেচতা থাংজিং এফ সী অমসুং পি ৱাই আই য়ু পোৎশঙবম শান্নবগী মতম লেপ্পখিবা অদুদা পি ৱাই আই য়ু পোৎশঙবম লাকখিদবদগী থাংজিং এফ সীনা মেচ অদু ৱার্কওভর ফংখি।

ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা মেচতা গুনি এফ সী ককচিং খুনৌ অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনামগা লম্বা তৌনদৌনা শান্নরকপদা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা নাকল অনীগী মায়কৈদগী ঙল্লিঙৈগী মতমদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি।

১৫শুবা মিনটতা গুনি এফ সীগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা য়াম্না ফবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২১ অমুজাওনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা য়ু কে সী সী এলবু পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা গুনি এফ সীগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল অদু য়ু কে সী সী এলনা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী ময়াই চনশিল্লকপদা য়ু কে সী সী এলনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লৈখিবদগী গুনি এফ সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। মে লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা গুনি এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৫ কিরননা মহাক্কী টিমগী ২শুবা পাঞ্জল চন্দুনা য়ু কে সী সী এল ওইনামবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ইরোম গ্যানেশ্বর মঙাংনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লৈবা ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিএসনগী ওফিসতা প্রসিদেন্ট ডা. এস শান্তিকুমারনা ময়াই তাংবল লৌরগা এসোসিএসন অসিগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিং, কোচ, শান্নরোয়শিং অমদি শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাশিং য়াওনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

৬শুবা ধনবির ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ধনবির এফ সী অমদি সঞ্জেনবম এফ সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ফাইনেল মেচতা ধনবির এফ সী অমসুং সঞ্জেনবম এফ সী লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেলদা জেক এফ সী অঙথা অমদি ধনবির এফ সী অঙথা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা জেক এফ সীগী মায়কৈদগী কে দোনেল জর্সি নম্বর ১০ অমদি এন ওলেন জর্সি নম্বর ৯না মথং শীৎনা ২৭ অমদি ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা ধনবির এফ সীগী মায়কৈদগী এন বিমোল জর্সি নম্বর ৯ অমদি টি ঐচ দিপক জর্সি নম্বর ১৩না মথং শীৎনা ৩০ অমদি ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী পেনাল্টি কাওনখি।

পেনাল্টি কাওনখিবদা ধনবির এফ সীনা পাঞ্জল ৪ অদুগা জেক এফ সীনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা ধনবির এফ সী ফাইনেল চঙখি।

ধনবির এফ সীনা ফাইনেলদা অমর এফ সীবু থোইরম্বা সঞ্জেনবম এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি। সঞ্জেনবম এফ সীনা অমর এফ সীবু অনীশুবা সেমীফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী জুদো টিমগী কোচ ওইনা আই সঞ্জু খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ৫দগী হৌদুনা মোরোকোগী সিটি রাবটতা পাঙথোক্কদৌরিবা রাবট গ্রান্দ প্রি জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং লুচিংনবা মণিপুরদগী হৌখিবা ইরোম সঞ্জু কোচ ওইনা খল্লকপদা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমি, ময়াংইম্ফালনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইরোম সঞ্জু হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোলকী জুদো টিমগী কোচ ওইনা থৌ পুরি। মহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা জুদো মশান্না অসিদা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন কয়াদা মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী জুদো টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অমা ওইরকখি। মহাক্কী লমজিং মখাদা থা অসিগী ৫দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা শান্নরোয় ৭ লুচিংগদৌরি।

# ৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০ হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (এ এম এফ এ)গী লমজিং মখাদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০ থা অসিগী ৯দগী হৌরগনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জিয়োতিমোই রোইনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থা অসিগী ৯দগী হৌরগা ১৩দা লোইশিনগদৌরিবা ৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০দা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ৮গী টিমনা শরুক য়ারি। এল জিয়োতিমোই রোইগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী মেচ কম্মিস্নরনা এস জেমকুমারনা ওইরগনি। অদুগা রেফরিগী থৌদাং লৌগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুনা এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা, টি ঐচ কিরঞ্জিৎ, পি এস লনথোইবা অমসুং কে ঐচ রঞ্জিৎনি। ওফিসলশিং অসিনা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরীদা মার্চ ৮গী পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌগদিবনি হায়রি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি দি এস এ সদর হীলস, দি এফ এ থৌবাল, আই দল্লীয়ু দি এফ এ, দি এস এ বিষ্ণুপুর, দি এফ এ মোইরাং, দি এস এ ককচিং, আই ই দি এফ এ অমসুং দি এফ এ লোনপি এরিয়ানি।

HL-B/6019/4 feb-5march




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com